# নুংশিবগী অশেংবা শক্তমদি কৎথোকপনি ‘‘নঙনা হেন্না নুংশি’’



সুর মৈতৈ

নোঙলৈ ফিল্ম প্রদক্সনগী ‘‘নঙনা হেন্না নুংশি’’ হায়বা মণিপুর ফিল্ম মীয়াম্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং তাবা ফঙলগদৌরি। ফিল্ম অসি রোমান্স অমদি কোমেদিদা মপুং ওইনা শাগৎত্নুনা নংশিবা হায়বসি মায়থোং অমা ওইরবসু মহাক্না লৌরিবা রোল অদুদা পুক্নিং হকচাং চঙশিন্দুনা এক্টিং তৌবনা অনৌবা মায়থোংনি হায়বগী থাজবা লৈরোইদৌরি।

জয়কিষন্না প্রজেন্ট তৌবা ফিল্ম অসিব মপুং ফাবা অৱাৎপা লৈহনদবনি। থোইসু লায়রবা ইমুং অমদা পোক্লুবনা নুংশি লন্বীদদি খোঙদারুরগা চৎমিন্নবগী থৌনা ফুদোকপদি মপাঙ্গল ৱাৎপা মীশক অমা ওইরমখি। অদুবু নিঙোল সনাসি লৈনমগী ৱাখলদা নারিবানি হায়দুনা নিঙোলনা লৈনম্মু সনাগী মনাক্তুনা পুদুনা লাকখি। অদুবু লৈনম লাকপগী সনা হরাওবা লৈতে। নুমিৎ অদুদা সনানা থম্মোয় শেংনা নুংশিজ

নাকল অমরোমদা থোই এস আই ওইরক্লবা মতুং নিঙোলগী য়ুমদা অহল থাদুনা নুপী হায়বা চৎহনখি। পুংফম অদুমক্তদা সনাগী মপানা নিঙোলগী য়ুমদা চঙশিন্দুনা মচানুপাগীদমক





ৱাঙ্থোক করিনো ? পুন্সিগী ৱাহন্থোক্না করিনো ফোঙলি ফিল্ম অসিনা।

সুটিং লোইশিন্দুনা দবিংগী শরত্ক অনন্বা লোইশিল্লক্লবা ফিল্ম অসিদা গোকুল, কাইকু, জেনিফর, হেমাবাটি, ইধৌ, ইন্দু, সুরজিৎ অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অমত্তা ওইবগী থৌদাং লৌমিন্নখিবশিংদি। মেক অপতা বেনরজি, কষ্টুমদা জিটেন, কেমেরাদা অরুন খোঙমন, ম্যুজিক্তা অফাও, শিঙ্গরদা অফাও, ভিষ্ণু, পুসপারানি, কোরিওগ্রাফতা বেবীচা সলাম, এদিটিং য়াওরি। হায়রিবা ঈশৈ অনী অসিনা ফিল্ম অসিগী হেন্না ফজনবা মচাক অমসু ওইহনদবা নৎতে।

ফিল্ম অসিনা হায়রিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ফজবা অপাম্বা অমদি নুংশিবা হায়বসিদা লৈরিবা গুনশিং অসিদা য়াম্না মরু ওইরিবদি অমনি। সনা থম্মোই লায়না লৈবনা অপোকপা (ইধৌ) অমদি অপোকপী (হেমাবাটি) না মতম লৈবা খিবিক্তা ৱাখল নুংঙাইনবা হোৎনদুনা লৈখি। লৈকায় অমত্তদা লৈমিন্নবা মমা মচাতা লৈমিন্নবী নিঙোল (সুশিত্রা) বু সনানা নুংশিজখি। সনাগী মমা মপানা সনাগীদমক ৱাজবগা সনানা নিঙোলগীদমক ৱাজবগা কনানা হেল্লি হায়বদুদি চাংদমনিঙাই অমদি থোই অনীগী অৱাৎপা পুন্বা সনানা মখোয় অনীবু খঙহনদনা মতেং পাংদুনা লাকখি। সনা অনাবা হেঞ্জিল্লকখি। নিঙোলদদি রিবসি নিঙোলনি হায়বা খঙবা ঙমখি। লৈনমগী চিনদগী সনাগী মপাসু সনানা পাল্লিবসি করিনো হায়বা খঙবা ঙমখি। খন্দুনা ৱা ঙাংখি। নিঙোল কনাগা করম্বদা থুংনখিবগে হায়বদুদি ফিল্ম অসিনা মীয়ামগী ওইরবা মিৎকুপ অদুদা পুন্না খঙমিন্নরসি।





সাইখোম, বিদিয়ারাজ, থোই কল, ললালিটাবী অমদি শ্যমকুমার নচিংবা মমিং লৈরবা অর্টিষ্টশিংনা শক্তম লাঙলিবা ফিল্ম অমা ওইবনা মীয়াম্না পাম্না য়েংবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমদি শোইদনা ওইগৌরি হায়নিংই। ফিল্ম অসিদা নৌনা শক্তক্লিবী সুচিত্রা অনৌবা দা বালি, রোবিনসন, লেবানন্দা, লিরিক্স, ষ্টোরি অমদি দাইরেক্সনদা বিমোল ফিবৌ, প্রদুসরদা জি, কমাবাটি অমদি বিদিয়া রাজনি হায়রিবা ফিল্ম অসিদা শাওরগতা লৈবী ঐগী নুংশিবী অমদি নিক নিক লাওনা চোৎলে ঐগী হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অনীসু নুংশিনবা হায়বসিনি। নুংশিবা হায়বসিদা কৎথোকপা হায়বা অমা য়াওবনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা অফবা হায়বদুখক্তমক ওইহল্লি হায়বসিসু অমনি। হায়রিবা ফিল্ম অসিদা সনা (গোকুল) ইনাক কৈরাক খুন্বা ইমুং অমদা নাইতোম পোকপা মীশক খি। অদুবু নোংমতা সনানা নিঙোলগী মফমদা নুংশি হায়না ফোংদোকখিদে। নিঙোল অমদি নিঙোলগী মমা (ইন্দু) সনাখোইগা নুংশি চান্ননা অঙম্বা মতেং পাংনদুনা লৈখি। নিঙোলবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজরুবনা মখোয়গীদমক সনানা মতম লৈবা খিবিক্তা ৱাজ লৈতে। সনানা নিঙোলদা প্লে অমা তৌদুনা মহাক্কী অপাম্বা নুপী অমা হায়নবিয়ু হায়বদা নিঙোলনা লৈনম (জেনিফর) বু সনাগীদমক হায়নবিখি। লৈনম নুংশিনবা লৈজরবী নুপী অমনি। নিঙোলগী ৱাফম অদু লৈনম্না য়াবা ঙমখিদে। নোংমা নিঙোল নোংথৈরিঙৈ থোই (কাইকু) না মতেং পাংবিখি। মতম খরগী মতুংদা থোইনা নিঙোলদা নুংশি হায়না ফোংদোকখি। থোইগী ৱাফম অদু সনাদা তম্বা লাকখি। হায়রিবা পুংফম অদুদি সনানসু নিঙোলদা নুংশি হায়না ফোংদোক্কে খনখিবা মতমনি অদুবু নিঙোলগী ৱাহৈ হানখিবনা সনা মহাক্কী ৱাফম অদু নিঙোলগী মফমদা ফোংদোকখিদে। সনাগী পান্দমদি মহাক্না থম্মোয় শেংনা নুংশিজরিবা নিঙোলগী মমিৎতগী মপী তাহনদবা অমদি








Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*